**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 05-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী নাগরিকশিংদা কিহন খঙহনবা তৌদনা লুপ খরনা শান্তি থুগাইনবা হোৎনরিবা অসিবু মণিপুর সরকারনা লুমা লৌই হায়রি।

২) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি মীওই ৬৯ দা মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ ২০২৩ অমসুং ২০২৪ লান্থোকখ্রে।

৩) রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা থৌরাং লৌখৎনবা লোক সভাগী জিরো অৱারদা ঙসি এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা পুখৎখ্রে।

৪) মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি স্কিমগী ওইনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৬৮,৩৯৩ থাদোকখ্রে।

অমসুং

৫) ইন্দিগো এয়ারলাইন্সনা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিনগী থবক পাক্তকনা কেন্সেল তৌখিবা অদুগী মতাংদা সংসদতা ঙসি খন্নখ্রে।

------

হোম (এল) ঃ রাজ্য অসিগী নাগরিকশিংদা কিহন খঙহনবা তৌদনা লুপ খরনা শান্তি থুগাইনবা হোৎনরিবা অসিবু মণিপুর সরকারনা লুমা লৌই হায়রি।
রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা থোকপা চেরোল অমদা

হায়- রাজ্য অসিগী নাগরিকশিংদা অশোই অঙাম-খুদোংথিবা থোকহন্নবা হোৎনবা হায়বসি রাজ্য অমসুং মীয়ামগী মায়োক্তনি। চেরোল অদুনা কনাগুম্বা লনাই মীওই নত্রগা কাংলুপ নত্রগনা লুপশিংনা অসিগুম্বা কিহন খঙহনবগী থবক চত্থরল্লবদি আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীগনি।

চেরোল অদুনা হায়- কনাগুম্বশিংনা কিহন খঙহনবা, শেলগী দিমান্দ তৌবনচিংবা থেংনরবদি খুদক্তা মনাক নকপা পুলিস ষ্টেসনদা রিপোর্ট তৌবীয়ু। সরকার অসিনা মমাংদা হোম দিপার্টমেন্টকী মখাদা এন্তি এক্সতোরসন সেল হাংদোক্লে। মসিগী টোল ফ্রি নম্বরনা -১৮০০২০২৩৩২৬ নি। পাউ পীরকপশিংগী মমিং মথা হায়দোক্লোই। রাজ্য অসিগী মীয়াম্বু অশোই অঙাম য়াওদনা লৈহনবা হায়বসি রাজ্য সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি। মরম অদুনা নাগরিকশিংনা অসিগুম্বা সমাজগী মায়োক্তা লৈবশিংদগী অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা রাজ্য সরকারনা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা অসিদা মতেং পাংবীয়ু। লমদম অসি চাওখৎপা পুরকবা হোৎনবদা সরকারনা পায়খৎলিবা থবক্তা মীয়ামা মতেং পাংবীনবসু আপীল তৌরক্লি।

বোদি (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট মিনু থোং মখাগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চহি ৩৫-৪০ রোম ওইগদবা নুপাগী অশিবা হকচাং অমা ঙসি অয়ুক থেংনরে। পোরোমপাৎ পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- পোরোমপাৎ পুলিসনা হকচাং অদু লৌখৎতুনা জেনিমসকী মোর্গতা মশক খঙদোকবা থল্লি। মীওই অসি ফুট ৫ ইঞ্চি ৬ ৱাংই, মমায় কোইদানৈ, কুলৈ কুচুনি, চোরফোন মচুগী খোঙগ্রাউ অমসুং অমুবা মচুগী ফুরিৎ লিৎলি। হকচাংদা তেতুনা পিক থল্লে। হকচাং অসি থা অসিগী ১২ গী নুংথিল পুং ১ ফাওবগী মনুংদা মশক তাক্লনবা হায়রি।

এৱার্দ (এল) ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা ঙসি মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি এৱার্দ ২০২৩ অমসুং ২০২৪ গী মনা লান্থোকখ্রে। একাদমি অসিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী জৱাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমিদা পাঙথোকখিবা থৌরম

অদুদা রাজ্যপালনা হায়- ঙসিগী থৌরম অসিনা মণিপুরগী ইনাক খুল্লবা কলা অমসুং সংস্কৃতিগী পুক্কে অসিবু মশক থোকা লৈহন্নবা অমদি য়োকখৎতুনা থমবা থৌরাংশিং য়াওনা হিরম কয়াদা পুন্না লৌমিন্নরিবা থৌদাংশিং অদু নৌহৌননা নিংশিংবা অমসুং মখা তানা থবক ওইনা ওন্থোকবগী পান্দমশিং অদু নৌহৌননা নিংশিংহল্লি।

শ্রী ভল্লানা মখা তানা হায়- রাজ্য অসি অরিবা মতমগী ইনাক খুল্লবা কলা অমসুং সংস্কৃতিগী পুক্কে লৈজবা লমদম অমনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা লিশাংশিংনা লৈরক্লবা লাই হরাউবা অমদি জগোই-ঈশৈশিং অসিনা চীং অমসুং তমগী অরিবা মতমগী পুৱারী, শক্তম অমসুং ফুরুপশিংগী ওইবা থৌনা লিংজেলশিং অদু মশক তাক্লি। মণিপুরগী ওইনা লিশাং শিংনা চৎনরক্লবা মশাগী ওইবা কলা সংস্কৃতিশিং অসিগীদমক চপ মান্ননা চাউথোকচবা লৈ। মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমি অসি রাজ্য অসিগী ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতিশিং অসিবু য়োকখৎনবা, ঙাক শেন্নবা অমদি লম অসিদা থবক তৌরিবশিংবু পুকিং থৌগৎতুনা মখা তানা মাঙলোমদা পুখৎনবগীদমক লিংখিবনি।

থৌরম অদুদা হৌখিবা চহি ২০২৩ গী ওইনা লাইফ টাইম এচিভমেন্ট এৱার্দ থোইদিংজম তোম্বদা খুৎশিন্নখি অমদি তোঙান তোঙানবা কলা সংস্কৃতিগী লমদা থোইদোক হেন্দোকা শকাইরবা নহাশিং য়াওনা পুন্না মীওই ৬৯ দা মনাশিং রাজ্যপালনা খুৎশিন্নখি।

সোইল (এল) ঃ ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা আই.সি.এ.আর মণিপুর সেন্তরদা পাঙথোকখ্রে।

আই.সি.এ.আর রিছার্স কমপ্লেক্স ফোর এন.ই.ঐচ. মণিপুর সেন্তর অমদি আই.সি.এ.আর কৃসি বিগ্যান কেন্দ্র ইম্ফালনা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মণিপুর য়ুনিভর্সিতি লাইফ সাইন্সেস-বোটনি দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার কে.এস.ঐচ লালবিহারিনা হায়- লোক্তাক পাৎকী ফুমদিদগী হার শেমদুনা লমদম অসিগী লৌমীশিংদা লেমা ফংহন্নবগী থৌরাং লৈরে। রাজ্য অসিদা লৌমীশিংনা খুৎশেমগী হার শেমজবদা চপ চাবা চাং খঙদনা শিজিন্নবনা

লৈবাক লৈহাও মাংলকবগী অচৌবা মরম ওইরি। পোখোক হেন্না পুথোক বগীদমকি হায়দুনা লৌ উবদা খুৎশেমগী হার, নাপী হিদাক অমদি তিল হিদাক চিংবা কয়া শিজিন্নবা অসিনা লৈবাক লৈহাও মাংনবগী অচৌবা মরম ওইরি। মসিগী মথক্তা খুৎশেমগী হার শিজিন্নদুনা পুথোকপা পোখোকশিং অদুনা মীওইবগী হকচাংদা লায়না কয়া পোক্লকবগী অচৌবা মরম ওইরি।

মশা মউ ফবা নাগরিকশিংগীদমক অফবা লৈবাক লৈহাও হায়বা হিরমদা ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরম ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদসু দিষ্ট্রিক্ট এগ্রিকলচর ওফিসারনা শিন্দুনা পাঙথোকখি। থৌরম অদুগী মনুং চন্না ঙসি জিলা অসিগী লমফেলপাৎতা লৈবা দি.এ.ও ওফিস কমপ্লেক্সতা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লুপা লাখ ৮০ চংনা শাবা সোইল টেষ্টিং লেবোরেটরি অমসু হাংদোকখি।

ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরম কৃশি বিগ্যান কেন্দ্র চান্দেলনা শিন্দুনা কে.ভি.কে. চান্দেলগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

থৌরম অসি কৃসি বিগ্যান কেন্দ্রনা শিন্দুনা কে.ভি.কে থৌবালগী কেম্পসতা পাঙথোকখি।

সি.এ.য়ু ইম্ফালগী কলেজ ওফ ফুড টেকোলোজিনা শিন্দুনা ৱার্ল্ড সোইল ডেগী থৌরম পাঙথোকখি।

বিমোল (এল)ঃ এম.পি. ডাঃ অঙোমচা বিমোল অকোইজমনা মণিপ্রদা থোক্লিবা ইরাং অসিদা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংবু মশা মশাগী ময়ুমদা হঞ্জিনহন্নবা অথুবা থৌরাং সরকারনা লৌখৎনবা ঙসি লোক সভাগী জিরো অৱারদা পুখৎখ্রে।

থোক্লিবা ইরাং অসিনা চহি অহুম মপুং ফারক্ত্রিঙৈদা সরকারনা লাঞ্জেন্নরবশিংবু অশোই অঙাম য়াওদনবা অমদি মশা মশাগী য়ুমদা হঞ্জিনবা য়ানবা পায়খৎলিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা খঙহন্নবসু ঙসি সংসদকী নিংথম মীফমগী মঙানি চনবা নুমিৎতা শ্রী বিমোলনা লোক সভাদা থমখি।

বিল (এল)ঃ  রাজ্য সভাদা ঙসি নেসনেল ব্লড ত্রান্সফ্যুজন বিল পুথোকখিববু ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ব্লড দোন্নরস ওর্গনাইজেসন্না নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি। ওর্গনাইজেসন অসিগী মণিপুর ষ্টেট চেপ্তরগী প্রসিদেন্টনা থোকপা  চেরোল অমদা হায়- ওর্গনাইজেসন অসিনা চহি ১৫ হেন্না বিল অসি চৎনহন্নবা তকদুনা লাকখিবনি। বিল অসি পাস তৌরবদি ভারতকী ব্লড সার্ভিসেস সিষ্টেমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্লগনি।

ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ব্লড দোন্নরস ওর্গনাইজেসন্না ভোলুন্তরি ব্লড দোনর অমসুং মরাইবক থীরবা পেসেন্ট কয়াগী য়াইফনবা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা মণিপুরগী মীয়ামসু মতেং পাংবীনবা আপীল তৌরি।

কনফরেন্স (এল) ঃ  নেভিগেতিং দ গ্লোবেল ক্রোস রোড ২০২৫- কন্টেম্পররি চেলেঞ্জেস এন্দ সষ্টেনেবিলিতি হায়বা হিরমদা নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম ঙসিদগী ইম্ফালগী দি.এম. কলেজ ওফ কম্মর্সতা হৌখ্রে।

ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স রিছার্স নিউ দিল্লিগী মীৎয়েং মখাদা দি.এম. কলেজ ওফ কম্মর্স, ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতি, দিপার্টমেন্ট ওফ মেনেজমেন্ট, মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অমসুং নোর্থ ইষ্ট ইষ্টর্ন মেনেজমেন্ট এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা ধনামঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিগী ভাইস চান্সেল্লর প্রোফেসার দব্লিউ. চান্দ বাবুনা হায়- ইনভাইরোনমেন্টেল সষ্টেনেবিলিতি, ইকোনোমিক্স সষ্টেনেবিলিতি অমসুং সোসিয়েল সষ্টেনেবিলিতি অহুম অসি রাজ্য অসিদা কদাই ফাওবা চংশিনবা ঙমলে, মসি গ্রাস রুট লেবেলদা থবক ওইনা মপুং ফানা ওন্থোকপা ঙম্লব্রা নত্রগনা ঙমদ্রিব্রা হায়বগী মতাংদা খন্ননবা মীফম অসি পাঙথোকপনি। য়ুনাইতেদ নেসন্সনা শেম্বা সষ্টেনেবিলিতিগী গোল ১৭ হৌদোকপদগী হৌরগা মালেমদা লৈরিবা লৈবাক কয়ানা সেষ্টেনেবিলিতিগী গোল অসি শৌগৎতুনা লাক্লি।

থৌবাল (এল) ঃ মেগা লিটরেসি কেম্প অমসুং মেগা দিষ্ট্রিক্ট লেবেল দিফ এক্কাউন্ট সেটলমেন্ট কেম্প ঙসি থৌবাল জিলাগী তেন্থা লাইবুং কম্ম্যুনিতি

হোলদা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু আর.বি.আই, এস.এল.বি.সি, এল.দি.এম অমসুং এম.এস.সি.বিনা পুন্না শিনবনি। থৌরম অদুদা বেঙ্ক ব্রাঞ্চকী ওফিসিয়েলশিং, আর.বি.আইগী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

ককচিং (এল) ঃ ককচিং জিলাগী কৈরক চীংখৈ হুনবা লৈকাইদা লৈবা মোর্নিং ষ্টার চিলদ্রেন হোম অমদি বি.দি.এস চিলদ্রেন হোমগী অঙাংশিংদা অঙাংগী নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা নিংথম থাদা শিজিন্ননবা ফিরোলশিং য়েন্থোকখ্রে। থৌরম অদু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট চাইল্ড প্রোটেক্সন য়ুনিত ককচিং অমসুং মণিপুর সরকারগী য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগনা পুন্না শিনবনি।

এক্সিদেন্ট (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা ইম্ফাল-উখ্রুল লম্বীগী শওম্বুংদা থোকখিবা লম্বীগী খুদোংথিবা থৌদোক অমদা অঙাং অমা লৈখিদ্রে, অমনা শোক্লে। থৌদোক অসি ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তারকপা অদুৱাইদা থোকখিবনি।

হুই (এল) ঃ তাঙ্খুল হুই হায়না খঙনরিবা হুই মখল অসি য়োকখৎনবগী পান দমদা মরিসুবা ফুংচাম হাওফা ফেষ্টিভেল ঙসি উখ্রুল জিলাগী ফুংচাম খুলদা পাঙথোকখ্রে। ফেষ্টিভেল অসি ফুংচাম হাওফা লভর এসোসিয়েসন অমসুং ফুংচাম ভিলেজ ওথোরিতিনা শিনবনি।

সিসিপুর (এল) ঃ দিষ্ট্রিক্ট ইন্দষ্ট্রি সেন্তর চুরাচান্দপুরনা ঙসি ত্রেনিং লোইরবা মীওইশিংদা পি.এম. বিশ্বা কর্ম্মগী সার্তিফিকেট খুৎশিন্নখ্রে। ত্রেনিং অদু দি.আই.সি কনফরেন্স হোল চুরাচান্দপুরদা চথরকখিবনি। চহি অসিগী জ়্লাই থাদগী নবেম্বর থা ফাওবা চথখিবা ত্রেনিং অদুদা মহৌশাগী ওইবা পোলাং অমসুং মালাকার বারবর বাস্কেটকী মতাংদা মীওই ৪৫ রোম ত্রেনিং তৌখি।

পেনা (এল) ঃ অহানবা পেনা শৈশক চাংদমবগী থৌরম ঙসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু পুন্সিরোল থিবা লুপনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবনি।

নরেগা ঃ মহাত্মা গান্ধি নেসনেল রুরেল ইমপ্লোইমেন্ট গেরেন্তি স্কিমগী ওইনা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংদা চৎলিবা শেনবা চহি অসিগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৬৮,৩৯৩ থাদোকখ্রে।

হায়রিবা শেনফম অসিগী মনুংদা খুৎশুমল ওইনা লুপা কোতি লিশিং ৫৭ অমসুং মেটরিয়েল অমদি এদমিনিষ্ট্রেসনগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১০ হেন্না য়াওরি। কেন্দ্রগী রুরেল দিভলপমেন্টকী রাজ্য মন্ত্রি কমলেস পাসৱান্না রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা হায়- স্কিম অসিগী মখাদা খুৎশুমলশিং কেন্দ্র সরকারনা দাইরেক্ত বেনিফিৎ ত্রান্সফরগী খুত্থাংদা বেনিফিসরিশিংগী এক্কাউন্টতা হকথেংননা শেল পীরি।

ইন্দিগো ঃ ইন্দিগো এয়ারলাইন্সনা এরোপ্লেন পাইথোক পাইশিনগী থবক পাক্তকনা কেন্সেল তৌখিবা অদুগী মতাংদা সংসদতা ঙসি সদস্য কয়ামরুমনা ৱাফমশিং পুখৎলকখি।

রাজ্য সভাগী জিরো অৱারদা সদস্যশিংনা হৌখিবা মতম খরা অসিদা ইন্দে দাগো এয়ারলাইন্সনা ফ্লাইট কয়ামরুম কেন্সেল তৌবগী ৱাফম পুখৎলকখি। মদুগী পাউখুমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজ্না হায়- হিরম অসিগী মতাংদা মহাকা সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুগা ৱারী শান্নদুনা ৱাফমশিং পুখৎনবা খঙহনখ্রে।

অমরোমদা, সিভিল এভিএসন মন্ত্রি রাম মোহন নাইদুনা সিভিল এভিএসন মন্ত্রালয়গী কন্ত্রোল রুমদা ইন্দিগো ফ্লাইট কেন্সেল তৌবা অমসুং থেংথনা পাইবদগী ওইরক্লিবা ফিভমগী মতাংদা মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখ্রে। মন্ত্রিনা কন্ত্রোল রুমদা চত্তুনা মসিগী থবক থৌরমশিং য়েংশিনবগা লোয়ননা পেসেঞ্জরশিংদা মতম চানা পাউ পীনবা খঙহনখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

পোলো ঃ  ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিনবা অনিসুবা দি.জি.এ.আর অসাম রাইফলস মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপ ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী মেটচতা ইবুধৌ পাখংবা পোলো ক্লবনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব পোলো টিমবু পাঞ্জল ১৪-০ দা থোইখ্রে।

নুপাগী মেটচ অমদনা তেন্থা পোলো ক্লবনা খুরাই পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

ক্রিকেটঃ  ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নবা মেটচতা পি.এস.সি খোয়াথোংনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু ৱিকেট ৫ দা থোইখি।

থৌবালগী মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.য়ু.সি.সি ক্বাকৈথেল মোইরাংপুরেলনা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু.সি ললাম্বুং মখোঙবু রন ৮১ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী থাঙ্গাগী লাইনিংথৌ লম্পাক খুঞ্জেম লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা সি.এল.টি শিংজমৈনা দিস্কো নিংথৌখোংবু রন ৩০ দা অমসুং সি.এল.টি শিংজমৈনা কিংস এলেভেন ক্বাক্তাবু রন ২১ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ২২ শুবা মনিপুর ভেটেরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.পি.ঐচ.য়ু ৱারিয়র ললাম্বুংনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু রন ৭ তা থোইখ্রে।

------